

# সনালৈবাক স্পোর্টস



*য়ু এস এগী শান্নরোই অমা ওইনা সোচি গেমসতা শরুক য়ারিবা স্কিয়র জেকি চামুন*

*এঞ্জেল দি মরিয়ানা রেএল মেদ্রিদ সি এফপু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা রেল মেদ্রিদ অমদা ফোল তৌখিবা*



## জেমস ব্রুদনা ফ্রিষ্ট্রাইল স্কিইংদা গোল্ডগী আশা তৌরি



*সোচি, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ*

গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা গোল্ড মেদল য়াম্না লৌগনি হায়না পান্নরিবা অসি জেমস ব্রুদনি। হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা মশাগী চহী ২২ শুরবা জেমস ব্রুদ অসি ফ্রিষ্ট্রাইলগী স্কিইংগী প্রেক্টিস তৌবদা শোকপ্না মরম ওইদুনা হৌজিক মখা তানা প্রেক্টিস লেপ্তুনা লৈরি।

শান্নরোই অসিনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা স্কিইংগী স্কিল লৈরক্লবা শান্নরোইনি। মহাক্না চহী ১০ শুবা মতমদা লোকেলগী পাউ চে অমদা ফ্রি ওইনা স্কিইং অমদি স্নোবোর্দিং তম্নবগী থেংনখিবা অদুদগী হৌনা মহাক্না স্কিইং হায়বা অসিদা মখল কয়া থোক্না তম্বগা লোয়নন্না চংখরিবা সোচি ওলেম্পিক অসিদা মেদলগী আশা তৌরিবা শান্নরোইনি।

মহাক্না সোচিগী গেম অসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্না অহুমদা শরুক য়াগদৌরি। মহাক্না শরুক য়াগদবশিং অদুদি ফ্রিষ্ট্রাইল স্কিইং, স্নোবোর্দিং অমদি স্কেটবোর্দিংনি হায়রিবা মশান্নশিং অসিদা গোল্ড মেদল ফংগনি হায়না আশা তৌরিবা জেমস ব্রুদ অসি মীয়াম্না ব্রুদিস হায়রগসু খঙনৈ।

মহাক্না স্কুলদগী হৌনা এ লেভেলদা শান্নরকখিবা শান্নরোই অমনি। স্কুল তম্লিঙৈ মতমদা মহাক অসি লাইরিক ফবা শান্নরোইশিংগী মনুং চনবগা লোয়নন্না বি রেঙ্ক ফংখি। লোয়নন্না এ এস লেভেল মেথতসু গ্রেদ ফংবা শান্নরোই ওইনসু বি গ্রেদ ফংখিবনি।

মহাক্না মফম অসিদা হেক থুংলবগা মহাক্না লৈরিবা হোটেলগী কা মনুংদা বৃটিশকি ফ্লেগ অসি ৱালদা য়ান্দুনা থমখিবা শান্নরোই অমনি। নীংশিংবা য়াই শান্নরোই অসিনা বৃটিশ নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা প্লোপ ষ্ট্রাইল হায়না খঙনবা মশান্না অসিদা মঙারক হন্না চেম্পিয়ন ওইখি। মহাক্না চেম্পিয়ন ওইখিবদু ইং ২০০৭ তগী ২০১১ ফাওবনি।

মহাক্না য়াম্না লুনা তিন্নবা মরুপ কেটি সম্মরহেরিস ফ্রিষ্ট্রাইলগী স্কিইংদা মহাক্না টিম মেট ওইনা শরুক য়াগদৌরি। মহাক্কী মমান্নবা অসি ইং ২০১২ দা ন্যুজিলেন্দা পাঙথোকখিবা এপ আই এস ৱার্ল্ড কপ্তা অনীশুবা তাখিবা শান্নরোই অমনি।

| Rank | Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Germany | 6 | 1 | 1 | 8 |
| 2 | Canada | 4 | 4 | 2 | 10 |
| 3 | Norway | 4 | 3 | 6 | 13 |
| 4 | United States | 4 | 2 | 6 | 12 |
| 5 | Netherlands | 4 | 2 | 4 | 10 |
| 6 | Switzerland | 3 | 0 | 1 | 4 |
| 7 | Russia | 2 | 4 | 3 | 59 |

## মণিপুরগী মহুৎ শিনগদবা মাষ্টর বোদি বিল্ডরশিং খনখ্রে



*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ*

মহারাষ্ট্রগী কলিয়ানদা থা অসিগী ২০ অমদি ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪ শুবা ফেদরেসন কপ ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ অমদি মাষ্টর বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা শাফবশিং খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি কেজি ৬০ গীদা সিনাম রতন সাগর অমদি লাইশ্রম গোপেশ্বর। কেজি ৬৫ গীদা অথোকপম মালেমলৈমা। কেজি ৭০ গী কাঙলূপ্তা অরাম্বম সুসিলকুমার অমদি খোইস্নাম দোরেন্দ্রো। কেজি ৭৫ গী কাঙলূপ্তা কে অশোক। কেজি ৮০ গী কাঙলূপক্তা অকোইজম জদানন্দ। মাষ্টরগী চহী ৫০ দগীনা ৬০ ফাওবগী মনুংদা চান্দম ইন্দিরা, ওইনাম দেবেন। ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জদা এমদি ইদরিশ খাননি।

টিম অসিগী ওফিসিএল ওইনা খল্লবা মীওইশিং অদুদি নেসনেল জজ আর কে মণিস্না, নেসনেল জজ ও প্রেমকুমার টিম ওফিসিএল ওইনা এ কে মণিতোননি। খল্লবা শান্নরোইশিং অসি মুম্বাইগীদমক থা অসিগী ১৭ তা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেষ্ট এসোসিয়েসনগী ওনরেবল সেক্রেটরি আই বিপিননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## অহানবা ডা এল ভৈগ্যাচন্দ্র মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ*

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল লেট ডা এল ভৈগ্যাচন্দ্র মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা অমসুং অহানবা ৱুমেন্স ওপন ফুটশালসু পাঙথোক্কনি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অনী অসিদা শরুক য়ানীংবা টিম এসোসিয়েসন অমদি য়ুনিটশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমদি ফুটবোল এসোসিয়েসন্না লাক্লবা খঙহল্লক্লি। লোয়নন্না নুপীগী ফুটশাল অসিগী ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিত্তা থা অসিগী ১৪ নি অদুগা তাং ১৮ দা টিমশিংনা টুর্নামেন্ট অসিগী মতাঙদা য়াওগনি নৎত্রগা য়াওরোই হায়বদু খঙলবা য়াগনি।

নুপাগী ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম্না থা অসিগী ২৩ নি অদুগা মখোয়না শরুক য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বা খঙলবা য়াগনি।

## অন্দর সিক্সটিন সভেন–এ সাইদকি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং শান্নবা হৌখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ*

কৌব্রু ইপাগী মণ্ডাল সোসিএল দিভ্লপমেন্ট ওর্ভ্যাইজেসন উৎলৌনা শীন্দুনা উৎলৌগী মমাঙ লৈকাই প্লে গ্রাউন্দদা চংখরকখিবা অহানবা অন্দর ১৬ সভেন মেন এ সাইট ফুটবোল টুর্নামেন্টকি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ঙসিদগী শান্নবা হৌখ্রে।

ঙসি অহানবা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ৱাই এস দব্লিউ এ উৎলৌনা এফ সি এল লৈরেঞ্জম্বু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীখি। ৱাই এস দব্লিউ এগী গোল অদু এল তোম্বানা অহুমশুবা অমদি ১৫ শুবা মিনিটতা গোল অনী, জেকোপনা ৮ শুবা মিনিটতা গোল অমা পুন্না অহানবা হাল্ফ মমাঙদা গোল অহুম চনবা ঙমখি।

এফ সি এল লৈরেঞ্জমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচকি ১৮ শুবা মিনিটতা কবিরনা চনখিবনি। মেটচ অদুগী অনীশুবা মিনিটতা এফ সি এল সিগী জোসিসপু রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা ই এস ও বমদিয়ারনা এল ৱাই এস এস য়ু লিলোং বজারবু গোল ৪–৩ দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অদুগী ৩ শুবা অমদি ৫শুবা মিনিটতা অকসরকুমারনা গোল ২ চনখি। এল ৱাই এস য়ুগী ঐচ রোমারিও সিংহনা ৮ শুবা মিনিটতা অদুগা এ বেক্করনা ২১ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চন্দুনা দ্রো ওইহনখি।

সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা মখা তানা শান্নরকখিবগা লোয়নন্না ই এস ওগী গোল ২ চনখিবা শান্নরোই অকসরকুমারনা ৩৬ শুবা মিনিটতা গোল অমগা চন্দুনা হেটট্রিক ফংখি। টিম অসিগী মরিশুবা গোল অদুসু শান্নরোই অসিমক্না ৪৯ শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি।

এল ৱাই এস এস য়ুগী অহুমশুবা গোল অদুনা ঐচ রাজনা ৩৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। ই এস ওগী গোল ৪ চনখিবা শান্নরোই অকসকুমারবু রেফরিনা ৩২ শুবা মিনিটতা ফোল তৌবগীদমক য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসিগী মায় পাক্লবা ৱাই এস দব্লিউ এ উৎলৌ অমদি ই এস ও বমদিয়ার সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। হয়েং য়ু এল এল ৱাইসি অমদি কে আই এম এস দি ও (বি) অহানবা মেটচ ওইনা অদুগা কে আই এম এস দি ও (এ) অমদি এল ৱাই এস সি অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

সেমি ফাইনেলগী মেটচনা থা অসিগী ১৬ অমদি ১৭ তা ঙসি সেফি ফাইনেল চঙখ্রবা ৱাই এস দব্লিউ এগা হয়েংগী অরোইবা মেটচ অদুগী অকাবগা শান্নগনি। অনীশুবা সেমি ফাইনেলনা ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা মায় পাকখ্রবা ই এস ওগা হয়েংগী অহানবা মেটচকি অকাবগা শান্নগনি। ফাইনেলনা তাং ২৩ দা শান্নগনি।

## বার্থ ডে গার্লসনা গোল ২ চন্দুনা কনাদাবু সেমি ফাইনেলদা পুশিনখ্রে



*সোচি, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ*

সোচিগী সাইবা এরিনাদা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী আইস হোকিদা কানাদাগী শান্নরোই মেঘান অগোষ্টানা মশাগী চহী ২৭ শুবগী বার্থ ডে পাঙথোকপগা লোয়নন্না কানাদা টিমগী গোল অনী চনবগা লোয়নন্না টিম অসিবু সেমি ফাইনেল য়ৌনা পুশিনখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী হোকিগী প্রিমিলিনরি রাউন্দদা কানাদানা য়ু এস এবু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীখি। নীংশিংবা য়াই শান্নরোই অসিনা শক ২০০৬ তা পাঙথোকখিবা তুরিন ওলেম্পিকতসু মহাক্কী চহী ১৯ শুবগী বার্থ ডেগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়নন্না মতম অদুদসু কনাদানা রুসিয়াবু মায়থীবা পীবদা মহাক্না গোল চনখি।

লৈবাক অনী অসিগী অহানবা ওইনা শান্নখিবা মেটচ অনী অনী মায় পাকখ্রবা মতুংদা ঙসি গ্রুপ এগী মেটচ ওইনা কনাদা অমদি য়ু এস এ শান্নবদা অগোস্থানা মহাক্কী টিমগীদমক গোল অনী চনবা ঙমখি।

মেটচ অসি শান্নবা হেক হৌবগা লোয়নন্না আমেরিকাগী হিলারি নাইক্না কনাতাবু মায়থীবা পীরগে হায়না গোল অমা চনখি। মসিদা কনাদাগী চার্লিন লবোনেটনা অহানবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখি। অদুমওইনমক আমেরিকানশিংনা গোল চন্নবা কন্না হোৎনরকখি। অহুমশুবা পেরেটতা কানাদানা গোল ২ অমগা চনশিনবা ঙমখি।

কানাদাগী গোল চনখিবা অতোপ্পা শান্নরোই অদুদি হেলিনি। মতম অসিদা কানাদানা আমেরিকাদগী গোল ৩–১ দা মাঙজিল থাখি। অদুমওইনমক আমেরিকানা পোরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা শান্নরকপগা লোয়নন্না সচেলপরনা গোল অমা চন্দুনা কানাদাগী আগষ্টতা গোল অনী চনবা ঙমখি।

মসিগা চপ মান্নবা য়াম্না ইন্নরগা শান্নখিবা মেটচ অসিগী মমাঙদা শান্নখি। মদুদি স্বিজরলেন্দনা ফিন্দলেন্দবু গোল ৪–৩ দা মায়থীবা পীবগা লোয়নন্না টিম অসি ক্বার্টর পাইনেল চঙখিবনি। স্বিজরলেন্দ অসি হৌজিক গ্রুপ এগী খ্বাইগী মনীঙদা লৈবা টিম অমা ওইরি। মরমদি মখোয়গী মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ অহুম মায়থীবা নঙখিবনা গ্রুপ এদা পোইন্ট য়ামদনা ফংবা টিম ওইরি।

## কংলৈপাক ট্রোফি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ*

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন অমদি কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসনগা খূৎশম্নদুনা য়াওশঙ মনুংদা ৩ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ট্রোফি পাঙথোক্কনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদু ইং ১৯৯৮ কি জনুৱারী ফাওবদা পোকপা ওইগদবনি। শরুক য়ানীংবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস অমদি দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনশিংনা থা অসিগী ২০ ফাওবদা মখোয় মখোয়গী ফোর্মশিং অদু লৌরগা মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ওফিসতা পীশিল্লক্কদবনি হায়না এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল জোতিরময় রোইনা থোকপা চেরোল অমানা ফোঙদোরক্লি।

## করন, রিসি অমদি কেদারনা নুমিৎ নীনিদা শেল চাউনা তানখি




*বেঙ্গলোর, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ*

করন, রিসি অমদি কেদারনা নুমিৎ নীনিদা চাউনা শেল তানখ্রে। শান্নরোই অহুম অসিনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেটকি শান্নরোই ওইন্নবা মখোয়বু পাম্বশিংনা মখোয়গী টিমদা য়াওন্নবা লৈখিবনি।

রেলৱেগী ওল রাউন্দর প্লেয়র অমা ওইরিবা করন শর্ম্মা আই পি এল লীগকি প্লেয়র অমা ওইনা লৈখিবগা লোয়নন্না মহাক্না লুপা ৩.৭৫ ক্রোর তানবা ঙমখ্রে। লৌরিবা শেলফম অসি হন্দক চহীগী পাঙথোক্কদৌরিবা আই পি এল অসিগীনি।

মহাকপু সনরাইজ হায়দরাবাদকী শান্নরোই ওইন্নবা খঙহল্লকখিবনি। অমরোমদা রিসি ধভনন্না হৌজিক হৌজিক কিং ১১ পঞ্জাবতা লুপা ক্রোর ৩ দা য়ান্নখ্রে। মহাক্না লোয়নন্না কিংস ১১ পঞ্জাব অসি ঙসি বেঙ্গলোরদা লাকখিবনি।

টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অসিগী মনুংদা ন্যুজিলেন্দগী মতম অমগী কেপ্টেন ওইরম্বা রোস টাইলরনা হৌদোকপা নুমিত্তা শান্নগনি। মখোয়না দিল্লী দিয়ার দেবিলগী মীওইশিংবু কোইথি থিদুনা লৈনবা হোৎনখি হায়রি। মখোয়না লৌগদৌরিবা শান্নরোইশিং অসি চাউরাক্না ক্রোর ২ পীরগা লৌগদৌরিবনি হায়রি।

অমরোমদা শ্রীলঙ্কাগী কেপ্টেন মহেলা জয়াৱার্দেনি, ৱেষ্ট ইন্দিসকি ওল রাউন্দর মার্লোন সম্যুএল, ওষ্ট্রেলিয়াগী ওল রাউন্দর কামেরোন হ্বাইট অমসুং দেবিট হুসি অমদি ন্যুজিলেন্দগী মেটসমেন মার্টিন গুপ্টেলনচিংবা কয়াবু হৌজিকসু য়াওন্নবা মখোয় মখোয়না হান্না য়াওরম্বা টিমশিংনা কৌনরি।

ইন্দিয়াগী মিদল ওর্দরদা লৈরিবা ওল রাউন্দর য়ুবরাজ সিংহবু ৱয়াল চেলেঞ্জর বেঙ্গলোরনা লুপা ক্রোর ১৪ পীদুনা টিম অসিগী শান্নরোই ওইনা য়াওনবা য়ানখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা মহারাষ্ট্রগী বেটসমেন অমা ওইরিবা কেদার য়াদবনা দিল্লী দিয়ার দেভিলগী শান্নরোই ওইন্নবা ক্রোর ২ পীদুনা লৈখ্রে। শান্নরোই অসিনা হন্দক্কি রঞ্জি ট্রোফিদা অয়ৌবী থাক্তা শান্নদুনা রন খ্বাইদগী লৌবগী রিৱার্দ ফংখিবা শান্নরোই অমনি। মহাক্না হন্দক চহী অসিদা রঞ্জি ট্রোফিদা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা শান্নরোই অমা ওইখি।

অমরোমদা মশাগী চহী ২৬ শুরবা করন শর্ম্মা অসি ইন্দিয়াগী ওইনা শান্নরোই ২৫ গী মনুংদা য়াওরিবা অমনি। মহাকপু রাজস্থান রোয়েলনা লুপা লাক্ষ ৬৫ পীগে হায়রম্বা লৈখি হায়রি।








[illegible]

Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- ✓ Home away from home for day care
- ✓ Hygienic mid day meal for day care
- ✓ Audio Visual Classrooms
- ✓ Play-way method of teaching system
- ✓ Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- ✓ Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

SL/29/19/B

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.